# ব্লেক মনি পুথোরক্লবগী তাঞ্জা অমুক হন্না পীগদৌরি
# বেঙ্ক ব্রাঞ্চ ৫০০ দা ষ্টিং ওপরেসন চথখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী): ইনকম দিসক্লোজর স্কীম (আই দি এস) গী খুদোংচাবা লৌহৌদ্রবা মীওইশিংদা ব্লেক মনি পুথোরক্লবগী অনৌবা তাঞ্জা অমা পীরবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, গভর্নমেন্টনা চয়োল অসিগী মনুংদা অনৌবা থৌরাং অমা লাওথোক্কুনা অরানবা মওংদা য়াম্লবা শেনফম লোৎশিন্দুনা থম্লিবা মীওইশিংবু চাদা ৫০ গী চাংদা টেক্স থিহল্লগা ব্লেক মনি পুম্নমক হ্বাইট মনি ওন্থোক্লবগী খুদোংচাবা পীরবা য়াই।

প্রধান মন্ত্রি গরিব কলিয়ান যোজনা (পি এম জি কে ৱাই) গী মখাদা কনাগুম্বনা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা শেনফম পুম্নমক পুথোরক্লগা চাদা ৫০ গী চাংদা টেক্স থিবা য়াহনগদৌরি। ব্লেক মনি পুথোরকপা মতমদা শেনফম অদু কদায়দগী কমদৌনা তানশিল্লুবনো হায়বা ৱাহং হংবগী ৱাফম লৈরোই। ৱেল্থ টেক্স, সিভিল লো অমদি অতৈ টেক্সেসন লোনসু খুৎ থিংজিল্লোই। অদুম ওইনমক প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ), এফ ঈ এম এ, নার্কোটিক্স এন্দ ফোরেন ব্লেক মনি এক্টকী মখাদা মতিক চাবা থবক লৌখৎলকপা য়াই।

পি এম জি কে ৱাইগী মখাদা কনাগুম্বনা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা শেনফম পুথোরকপা মতমদা চাদা ৫০ গী চাংদা টেক্স থিগনি। মসিগী মথক্তা সর্জ চার্জ ওইনা অহেনবা শেনফম খরসু কক্কনি হায়রি।

ব্লেক মনিগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাং অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নবেম্বর ৮ দা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা শেনফমশিং অদু বেঙ্কতা থমজিন্নবা খঙহনখি।

মতম অদুদগী হৌনা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংদা মীয়াম্না চৎনখিদ্রবা শেনয়েকশিং থমজিনবা হৌখি। রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী মতুংইন্না নবেম্বর ১০ ফাওবদা চৎনখিদ্রবা শেনয়েত্তা লুপা ক্রোর লাখ ১১.৮৫ বেঙ্কশিংদা থমজিল্লকখি হায়রি।

অমরোমদা, ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা ব্লেক মনি পুথোক্লবগী থৌশিল মখাদা অনৌবা লুপা ২০০০ অমসুং লুপা ৫০০ চৎপীগী শেনয়েকশিং পুথোরকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুদুনা লাকখি।

বেঙ্কতা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা অরানবা মওংদা ব্লেক মনিবু হ্বাইট মনিদা ওন্থোকপগী থৌওং চথরে হায়বা পাউ ফংবদগী মরাল লৈবা ওফিসলশিং ফানবা বেঙ্কশিংদা থি-হুম্বগী থবক চথখিবনি। ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক ৫০০ রোমদা ষ্টিং ওপরেসন চথুদুনা অরানবা তৌবা ওফিসলশিং ফাগৎনবা থৌরাং লৌখৎখি।

রিপোর্ট অমনা হায়, বেঙ্ক ওফিসল খরনা অরানবা মওংদা ব্লেক মনিবু হ্বাইট মনিদা ওন্থোক্লবা হোৎনরম্বগী খুদম চাংদমশিং য়াওবা সী দি ৪০০ ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদা য়ৌরক্লে। অথুবা মতমদা ওফিসলশিং অদুগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

চৈরকসিদা, শেলগী অৱাৎপা মায়োক্লরিবা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী পান্দমদা গভর্নমেন্টনা মপান লৈবাক্কী ফার্ম মাপলদগী শেনয়েক নম্নবা চে টন ২০,০০০ লৈগদৌরি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, মথং চহীগী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা শেনয়েক নম্নবা চে ষ্টোক্তা মরাং কায়না লৈহন্নবা হোৎনরি। হোম মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরবা মতুংদা মপান লৈবাক্কী ফার্ম মাপলদগী ভারতিয়া রিজর্ব বেঙ্ক নোট মুদ্রান প্রাইভেট লিমিটেদনা শেনয়েক নম্নবা চে টন ২০,০০০ অথুবা মতমদা লৈরগনি।

# ইন্দিয়া, ইন্দোনেসিয়ানা দিফেন্স অমদি সিক্যুরিটিগী মরী চেৎশিলহল্লগনি: মোদি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী): টেররিজম অমসুং ওর্গনাইজ ক্রাইম পুন্না থেংনমিন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়ানা লৈবাক অনীগী মরক্তা দিফেন্স অমসুং সিক্যুরিটিগী মরী চেৎশিনহনবগী ৱাফম য়ানরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিদা কোয়রকখিবা ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অনীনা দেমোক্রেসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপগা লোয়ননা লল্লোন ঈতিক অমদি নাৎকী ওইবা অচেৎপা মরী থম্নবগী ৱাফম য়ানরে।

এক্ট ইষ্ট পোলিসিদা ইন্দোনেসিয়াবু মরুওইবা পার্টনর অমা ওইনা লৌবগা লোয়ননা হিরম কয়াদা পুন্না থবক তৌমিন্নরগনি। দিফেন্স অমদি সিক্যুরিটিগী মরী চেৎশিনহন্দুনা টেররিজমনা পীরক্লিবা চৈথেং মায়োক্ল মীন্নবা ৱাফম য়ানরে।

হায়দ্রাবাদ হাউসতা লুচিংবা অনীনা তোঙান তোঙানবা এগ্রিমেন্ট কয়া সাইন তৌনরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়া অমদি ইন্দোনেসিয়ানা টেররিজম, ওর্গনাইজ ক্রাইম, দ্রগ অমদি হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং থেংনমিন্নবগী ৱাফম মরুওইনা লৌই।

নুমিৎ নীনিগী ইন্দিয়া খোঙচৎতা ঙসি থুংলখিবা ৱিদোদোবু রাষ্ট্রপতি ভাবন মমাংদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। ইন্দোনেসিয়ন প্রসিদেন্টনা থুংলখিবা মতমদা ইন্দিয়াগী মহাক্কা ফম মান্নবা প্রনাব মুখর্জি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তরাম্না ওকখি। কুমজা ২০১৪ গী ওক্তোবরদা ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুংদা ৱিদোদোনা ইন্দিয়াদা লাকপা হন্দক্কা অহানবনি।



ইন্দিয়াগীদমক ইন্দোনেসিয়া থাদোক্লমদাইদা প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা হায়খিবনি মদুদি, লৈবাক অনীনা টেররিজমগী মায়োক্তা অপুনবা থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্ননবগীদমক দিফেন্স অমদি সিক্যুরিটিগী মরী চেৎশিনহনবা মথৌ তাই।

টেররিজম থেংনবগী মতাংদদি ইন্দোনেসিয়ানা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্কা খুৎশম্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়নসু মহাক্কা ফোঙদোকখি।

চহী চা কয়াগী মমাংদগী লৈবাক অনীনা হিরম কয়াদা অচেৎপা মরী থম্নদুনা লাক্লি হায়না পল্লদুনা ৱিদোদোনা হায়খি, রামায়ন অমসুং মহাভারতকী ৱারী ইন্দোনেসিয়াদা মীয়াম্না পাম্নরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা ৱারী শানবদা ইকনমিক, ট্রেদ অমদি ইনভেষ্টমেন্টগী ৱাফম কুপ্না খন্নগনি। ইন্দোনেসিয়ানা ইন্দিয়াগা বাই লেটরেল ট্রেদ এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনবগী ৱাফম পুথোক্কুনা খন্নগনি।

ইন্দোনেসিয়াগী কোল মাইনিংদা ইন্দিয়াগী কম্পনিশিং শরুক য়াবগী মতাংদা ৱিদোদোনা হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা লৈবাক অনীগী জোইন্ট ৱার্কিং গ্রুপ অমা লৈ। অথুবা মতমদা ইন্দোনেসিয়ানা অনৌবা রেগ্যুলেসন শেমদুনা মপান লৈবাক্কী কম্পনিশিং কোল মাইনিংদা ইনভেষ্ট তৌরকপদা খুদোংচাহন্নবা হোৎনরগনি। লৈবাক অনীনা মরু-মরাং পুথোকপগী মতাংদা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মতাংদসু কুপ্না খন্নবা পাম্মী হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

অসিয়ান-ইন্দিয়া ফ্রি ট্রেদ এগ্রিমেন্টকী মখাদা বিজিনেস লিবরেলাইজেসন তৌবগী মতাংদা প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা হায়খি, এগ্রিমেন্টতা সাইন তৌখিবা লৈবাক খুদিংমক চপ মান্ননা খুদোংচাবা ফঙহনগদবা মওংদা থবক থৌরম কয়া লৌখৎনবা হোৎনগনি। চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারিদগী জুন ফাওবদা ইন্দোনেসিয়া অমদি ইন্দিয়ানা দোল্লর বিলিয়ন ৫.৯ গী লল্লোন ঈতিক তৌখি।

# এক্সিস বেঙ্ককী লাইসেন্স ককপগী ৱাফম লৈতে হায়না শেংদোকখ্রে

মুম্বাই, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী): লুপা ক্রোর কয়ামরুমগী ব্লেক মনি স্কেমদা চেন্নবগীদমক এক্সিস বেঙ্ককী লাইসেন্স কক্লগনি হায়না নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচে অমনা রিপোর্ট তৌরকখ্রবা মতুংদা বেঙ্ক অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়খ্রে মদুদি লাইসেন্স ককপগী ৱাফম লৈতে। কনাগুম্বা মীওই খরনা বেঙ্ককী মীংচৎ থিহন্নবগীদমক অরানবা ৱাফম শন্দোকপনি।

রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) না পীবা কাঙলোন ঙাক্লা চৎপা মরম্না লাইসেন্স ককপগী ৱাফম লৈতে। মরম অদুনা কষ্টমর, ইনভেষ্টর অমদি লৈবাক মীয়াম্না এক্সিস বেঙ্ক থিংজিনখ্রগনি হায়বগী মতাংদা মীপায়বা পোক্লিংঙাই ওইদে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা এক্সিস বেঙ্ককী চান্দনি চোক ব্রাঞ্চতা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা অশাবা একাউন্ট ১৫ থেংনবা লৈখ্রবনি।

ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, অশাবা একাউন্ট ১৫ অদুদা লুপা ক্রোর ৪৫০ থমজিল্লম্বা থেংনখি। হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথুদুনা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎনবা হোৎনরি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা শেল ওন্থোক-ওনশিন তৌবদা চেন্নবা এক্সিস বেঙ্ককী মেনেজর অনী প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ)গী মখাদা ফাবা লৈখ্রবনি। এক্সিস বেঙ্ককী কাশ্মীরি গেটব্রাঞ্চতা মেনেজর ওইনা থবক তৌবা সোবিট সিনহা অমদি বিনিট সিনহানা অরানবা মওংদা অরিবা শেনয়েক্তগী অনৌবা শেনয়েক্তা ওন্থোকপগী থৌওংদা মতেং পাংলম্বনি হায়রি।

এক্সিস বেঙ্কনা থবক্তগী লৌথোকখ্রবা মেনেজর অনী অদু ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা ফারগা ৱাহং-পাউহং চথরি। মীওই অনী লুপা ক্রোর ৩.৫ গা কোন্ননা ফারবা মতুংদা ঈ দিনা কাশ্মীরি গেট ব্রাঞ্চতা থিবা-হুম্বগী থবক চথখিবনি। বেঙ্ক মেনেজর অনীনা কম্মিসন লৌরগা অরিবা শেনয়েক্তগী অনৌবা শেনয়েক্তা ওন্থোকপদা মতেং পাংবগা লোয়ননা য়াম্লবা ব্লেক মনি পুম্নমক হ্বাইট মনিদা ওন্থোক্লম্বা থেংনখি।

ব্লেক মনি অমসুং জালি নোটকী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাং অমা ওইনা নবেম্বর ৮ দা গভর্ণমেন্টনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনররোই হায়না লাউথোকখি। হায়রিবা শেনফম পুম্নমক দিসেম্বর ৩০গী মমাঙদা মশা-মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা হাপচিন্নবসু গভর্ণমেন্টনা খঙহনখি। অদুমওইনমক কনাগুম্বা মীওই খরনা অরানবা পান্থে শীজিন্নরগা ব্লেক মনিবু হ্বাইট মনিদা ওন্থোক্লম্বা থেংনখি।

হৌখিবা নবেম্বর ২৬ তা পুলিসনা নাসিক-ঔরঙ্গবাদ রোদতা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা তোঙান-তোঙানবা কার অনীদগী চৎনখিদ্রবা শেনয়েক্তা লুপা লাখ ১৪ হেন্না ফাগৎপা লৈখ্রবনি।

নিফাট পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ রঞ্জিৎ ধিরেনা হায়খি, চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা থৌরকপা গাড়ী অনী খাম্লগা চেক তৌরুবদা অরিবা শেনয়েক লুপা ১৪,৬৫,৭৬০ য়াওরম্বা থেংনখি। কার অদুবু থৌরকখিবা ইজাজ জলিল খান (২৮) কৌবা মীওই অমা ৱাহং-পাউহং চথবদা য়াম্লবা শেনফম অদু কদায়দগী কমদৌনা পুরকপনো হায়বগী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙমখিদে।

অব্দুল মাজিদ কাজি (৩৬) কৌবা মীওই অমনা থৌরকপা অতোপ্পা কার অমদনা অরিবা শেনয়েক্তা লুপা লাখ ৫.৫ য়াওরম্বা থেংনখি। পুলিসনা হীরম অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টতা শীন্নখি। গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা পুলিসনা নাসিক-ঔরঙ্গবাদ রোদতগী লুপা লাখ ৭৩গা লোয়ননা কার অনী ফাগৎপা লৈখ্রবনি।

চেন্নাইদসু ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা চথখিবা থিবা-হুম্বগী থবক্তা সনা কিলোগ্রাম ১০০ অমসুং অনৌবা শেনয়েক্তা লুপা ক্রোর ৯০ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না চেন্নাইদা বেজ তৌবা জেল্লর কয়াগী ময়ুমদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা ব্লেক মনি লুপা ক্রোর ৯০ অমসুং সনা কিলোগ্রাম ১০০ ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, ফাগৎলবা লুপা ক্রোর ৯০গী মনুংদা লুপা ক্রোর ৮০ দি চৎনখিদ্রবা অরিবা শেনয়েক ঙাক্তনি অমসুং লুপা ক্রোর ১০ না অনৌবা লুপা ২০০০ চৎপী ঙাক্তনি।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা চথখিবা থিবা-হুম্বগী থবক্তা লুপা ক্রোর ৩০ রোমগী ওইগদবা সনা কিলোগ্রাম ১০০ সু ফাগৎপা ঙমখি।

# সাইক্লোন ৱারদা: চেন্নাইদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মীওই মরি শিহনখ্রে



চেন্নাই, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী): সাইক্লোন ৱারদানা মরম ওইরগা চেন্নাইদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ য়ৌরকখিবগা লোয়ননা মীওই মরি শিহনখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা চেন্নাই, টিরুবলোর অমদি কাঞ্চিপুরম দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা নোং কন্না চুখি। মফম খরদদি অকনবা নুংশিৎ শীৎলকপদগী পাৱর সপ্লায় ফঙহনবা ঙমখিদে। পুংদা কিলোমিটর ১৬০ গী চাংদা য়াংনা শিৎপা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা উ পান্থী কয়া মরা ফুক্তুনা তুরকখিবগা লোয়ননা মীওই মরি শিখি অমসুং অতোপ্পা মীওই খরনা অশোক অপন নংখি হায়রি।

চেন্নায়, টিরুবলোর অমদি কাঞ্চিপুরম দিষ্ট্রিক্টতা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা মথৌ তারকপা মতমদা মতেং পাংবগী থবক পায়খৎহন্নবগীদমক আর্মি, নেভী অমসুং এয়র ফোর্সপু শেম শাদুনা লৈহনখি।

মেট্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা সাইকোল ৱারদা য়ৌরক্কদৌরে হায়বা মাঙজৌননা চেকশিন ৱা পীরকখ্রবা মতুংদা অকুৎপা মফমদা লৈবা মীওইশিং খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমশিংদা মাঙজৌননা হোংদোকহনবা লৈখ্রবনি।

কনাগুম্বা মীওই অমত্তা সমুদ্র মপান্দা চৎতনবা খঙহল্লদুনা মেট্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়খি, তামিলনাদু অমসুং অন্ধ্রপ্রদেশতা সাইক্লোন ৱারদানা মরম ওইরগা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলক্কদবা লৈবনা মীপুম খুদিংমক মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবা মথৌ তাই।

তামিলনাদুগী ওইনদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা সমুদ্র মপান নক্লা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট মরিগী মহৈলোয়শঙ পুম্নমক ছুটি থাদোকখি। অন্ধ্রপ্রদেশতসু নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ), ফায়র অমদি রেস্ক্যু সর্ভিসেস দিপার্টমেন্টগী পর্সনেলশিং মাঙজৌননা থৌরাং তৌদুনা থমখি।

মরুওইনা নেল্লোর দিষ্ট্রিক্ততা এন দি আর এফকী টিম অহুম কৌশিন্দুনা থমখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা সেন্তিমিটর ১৭ কী চাংদা নোং চুরকখি। চিতুর অমদি কাদাপা দিষ্ট্রিক্ততসু নোং কন্না চুরকখি।

অমরোমদা, পুদুচেরি গভর্নমেন্টনা সাইক্লোন ৱারদা য়ৌরক্তিংঙৈদা পুদুচেরি অমদি করাইকাল রিজনগী এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুট পুম্নমক ছুটি থাদোকখি। ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর ভি নরায়নাসামীনা হায়খি, য়ুনিয়ন টেররিটোরি অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কা শাফগদবা মফমদা চান-থক্লবা মরাং কায়না পুদুনা চংজফম লৌদুনা লৈবা মথৌ তাই।

খুদোংথিবা নংলবা মীওইশিংনা টেলিফোনগী খুথাংদা তেঙবাং লৌনবগী মতাংদসু হেল্পলাইন নম্বর অনী চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা মাঙজৌননা লাউথোকখি।

অমরোমদা, সাউথ সেন্ট্রেল রেলৱে (এস সী আর) না সাইক্লোন ৱারদা থুংলদ্রিঙৈগী মাঙওইননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা চেন্নাই মায়কৈ তম্না লাক্কদবা ট্রেন কয়ামরুম লম্বী থৈদোকহনবা নৎত্রগা কেন্সেল তৌবনচিংবা লৈখ্রবনি। বিজয়ৱাদাদগী চেন্নাই তম্না চেনগদবা ট্রেন কেন্সেল তৌখি। নেল্লোর-সুলুরুপেতা অমদি সুলুরুপেতা-চেন্নাই ট্রেনসু কেন্সেল তৌখি। গুদুর, রেনিগুন্তা অমদি আরাকোনম ষ্টেসন ফাওরগা চেনবা বিজয়ৱাদা-চেন্নাই সেন্ট্রেল পিনাকিনি এক্সপ্রেস লম্বী থৈদোল্লগা চেনহলখি।

শ্রীমাতা বাইস্নো দেবী কট্রা-চেন্নায় সেন্ট্রেল, পুরি-চেন্নাই সেন্ট্রেল ৱিকলি সুপর ফাষ্ট এক্সপ্রেস অমসুং অহমেদাবাদ-চেন্নাই সেন্ট্রেল এক্সপ্রেসসু অতোপ্পা মায়কৈরোমদা লম্বী থৈরগা চেলহনখি। লম্বী থৈদোকহনখিবা অতৈ ট্রেনশিংদি চেন্নাই সেন্ট্রেলদগী হাওরা ফাওবা চেনগদবা কোরোমন্দেল এক্সপ্রেস, চেন্নায় সেন্ট্রেলদগী অহমেদবাদ ফাওবা চেনগদবা নবজিবন এক্সপ্রেস অমদি চেন্নাই সেন্ট্রেলদগী হায়দ্রাবাদ ফাওবা চেনগদবা নিজামুদ্দিন দুরোন্টো এক্সপ্রেসনি।

# লৈচিল থাংবদগী ট্রেন ৮২ থেঙথহনখ্রে, ১৬ না কেন্সেল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী): দিল্লি য়াওনা অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা লৈচিল নোংফাই থাংবদগী ট্রেন ৮২ দিলে তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১৬ কেন্সেল তৌখিবদগী মীওই লীশিং কয়ামরুম পন্দুনা লৈনখ্রে।

নোর্দর্ন রেলৱেগী ওফিসল অমনা হায়খি, লৈচিল নোংফাই থাংবনা মরম ওইরগা উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকপদগী ট্রেন ২৩ লমথাবগী মতম নৌহৌননা লেপখি। অম্রিটসরদগী দিল্লি ফাওবা চেনগদবা অম্রিটসর ন্যু দিল্লি এক্সপ্রেস মশাগী মতমদগী পুং ৩০ থেঙথহনখি। ইস্লামপুরদগী ন্যু দিল্লি ফাওবা চেনগদবা মগধ এক্সপ্রেসনা মশাগী মতমদগী পুং ২৫ থেঙথখি।

অমরোমদা, দিল্লি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট লিমিটেদনা থাদোরকপা ৱারোল অমগী মতুংইন্না ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ঙসি ফ্লাইট অমত্তা কেন্সেল তৌখিদে হায়রি। অদুবু দিল্লিদা থুংলখিবা ইন্টরনেসনল ফ্লাইট খরদি মতম থেঙথনা য়ৌরকখি। দিল্লিগী মফম অয়াম্বা কা হেনবা মওংদা লৈচিল-নোংফাই থাংবদগী তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট অমসুং ট্রেন সার্ভিসতা অপনবা থোকহন্দুনা লাকখিবনি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, দিল্লিদগী চৎখিগদবা অমসুং দিল্লিদা থুংলগদবা ট্রেন ৫৪ লৈচিল-নোংফাই থাংবনা মরম ওইরগা মতম থেংথখি। উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকপা মরম্না ইন্টরনেসনল ফ্লাইট মরি অমসুং দোমেষ্টিক ফ্লাইট মঙা কা হেন্না মতম থেংথখি।

মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিংদা মখা তানা দিল্লিদা লৈচিল-নোংফাই থাংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখিগনি হায়রি।

থাংজ নুমিৎতা লৈচিল-নোংফাই থাংবনা মরম ওইরগা ট্রেন ১৩ কেন্সেল তৌখি অমসুং অতোপ্পা ট্রেন ৪০ না মতম থেংথনা সার্ভিস তৌখি। নোংমাইজিং নুমিত্তসু দিল্লিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কা হেনবা মওংদা লৈচিল-নোংফাই থাংবগা লোয়ননা ফ্লাইট অমসুং ট্রেন সার্ভিসতা চাউনা অপনবা থোকহনখি।

ইন্টরনেসনল ফ্লাইট ৯ অমসুং দোমেষ্টিক ফ্লাইট ৪ লৈচিল নোংফাই থাংবনা মরম ওইরগা মতম থেংথনা পাইখি। দিল্লিদগী লক্ষ্ণৌ তম্না পাইগদবা ফ্লাইট অমা তঙাইফদনা কেন্সেল তৌবা তাখি। অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবদা উবা ঙম্বগী চাং মিটর ৪০০ দা হন্থরকপদগী দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টরনেসনল ফ্লাইট সার্ভিসতা চাউনা অপনবা থোকখি।

অমরোমদা, হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবতসু কা হেনবা মওংদা লৈচিল-নোংফাই থাংবদগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখ্রে। উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকপা মরম্না গাড়ী থৌবদা অপনবা থোকহনবদগী রোদ অমসুং রেল সার্ভিসতা অপনবা ওইখি। হিসার অমদি হরিয়ানাগী তোঙান-তোঙানবা মফম খরদা উবা ঙম্বগী চাং মিটর ৫০ দা হন্থরকখি। মহৌশানা মী চিনবা নেসনল হায়ৱে নম্বর ১ দা লৈচিল-নোংফাই থাংবনা মরম ওইরগা গাড়ী চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি।

# রতন টাটাবু ৱাহং পাউহংনবা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী): রাজ্য সভাদা বি জে পিগী এম পি ওইরিবা সুব্রমনিয়ন স্বামীনা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা অইবা চেরোল অমা থাদুনা হান্নগী দিফেন্স সেক্রেটরি বিজয় সিংহ অমদি টাটা সন্সকী ইন্টরিম চ্যেয়রমেন রতন টাটাবু ওগষ্টতা ৱেষ্টলেন্দ হেলিকোপ্তর স্কেমগা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং চথনবা তকশিনখ্রে।

সী বি আইগী এক্তিং দিরেক্তরদা থাবা চেরোল অমদা স্বামীনা হায়খি, রতন টাটানা বিজয় সিংহবু মতৌ করম্না টাটা ট্রষ্টকী বোর্দতা য়াওহনখিবনো হায়বদু মপুং ফানা থিগৎপা মথৌ তাই। মরম অদুনা হায়রিবা মীওই অনী অসিবু সী বি আইনা ৱাহং পাউহং চথফম থোকই।


Hurry PROMISING KIDS ACADEMY Hurry
INNOVATION THROUGH EDUCATION
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, IMPHAL-WEST
ADMISSION OPEN
PRE-NURSERY TO CLASS-VIII
GOOD NEWS FOR PARENTS, THE PROMISING KIDS ACADEMY, SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, IMPHAL-WEST OFFER 100% ADMISSION FEE FREE
FOR PRE-NURSERY TO CLASS - II FOR THE ACADEMIC SESSION 2017 - 2018, TILL 20TH DECEMBER.
*** OUR GOAL IS TO GIVE THE BEST EDUCATION TO OUR STUDENTS AND TO PROMOTE GOOD QUALITY EDUCATION.
ALL MANIPUR MATHS COMPETITION WINNERS, 2015



3rd Position, Class - III
Chingkheinganba



8th Position, Class - III
Richard


7th Position, Class - VI
Preecy

ALL MANIPUR MATHS COMPETITION WINNERS, 2016


8th Position, Class - VII
Preecy


10th Position, Class - I
Khelonya


10th Position, Class - I
Gomina

HL-P/10814/9-13

IRE Group of Institution
D.M. Sr. Sec. School, Wangjing
Transforming & Empowering Nation through Practical Education
ADMISSION BOOKING OPEN
Class ratio - 40 : 1
Total Intake : Boys & Girls - 120 each
Limited Seats
Presenting
A MODEL RESIDENTIAL SCHOOL
CLASSES :- From Class V to X
Salient features are:
Best Eco-friendly Academic Campus away from all pollutions
Secured Boys and Girls Hostel with full-time Wardens and Nurse
Supported by Dynamic Trained Teachers,
Assuring Value-Based Education and Moral Education as priority
Career Counseling & Guidance with Life-Skill Education
Best Institute for Talent Hunt for all Inborn talents
BEST AND MOST AFFORDABLE & CHALLENGING MONTHLY FEES
SPECIAL FACILITIES
ART EDUCATION
Dance/Music/Theatre
Painting/Craft etc.
Yoga & Thang Ta
Aerobics & Gym
Photography/Editing
Vocational Classes
And Many MORE
HL-P/10828/11/12-12/01

লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)
উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং
(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।
নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।
HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.
HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-
DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,
HL-B/3513/03/12-02/01